

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদবা ৭ শুবা আই পি এল অদু মতম চানা পাঙথোকপা ঙশ্লোইদৌরি*

*মার্চকি ৫ দা ব্রাজিল অমদি সাউথ আফ্রিকাগা শান্নগদবা অদুদা কাকা নত্তবা অনৌবা শান্নরোইশিং য়াওগদৌরি*

# ঙরাং পাংথোকখিবা দাউন্দ হিলসতা শান্নরোই অনীনা ব্রিন্নর ওইমিন্নখ্রে

SOCHI 2014



*সোচি, ফেব্রুৱারী ১২ঃ*
ৱিন্টর ওলেম্পিক্কী ইতিহাসতা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱুমেন্স দাউন্দ হিলসদা মীওই অনীনা পুন্না গোল্ড মেদল সিয়ার তৌদুনা ফংমিন্নখ্রে। মসিনা হৌজিক ফাওবদা ওলেম্পিক্কী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা মীওই অনীনা গোল্ড মেদল সিয়ার তৌবা ওইহরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱুমেন্স দাউন্দ হিলসতা স্বিজরলেন্দগী দোমিনিক গিসিন অমদি স্লোভেনিয়াগী টিনা মজেনা পুন্না গোল্ড মেদল অসি ফংমিন্নখিবনি। মখোয় অনীনা লমথুংফম য়ৌবা মতমদা ১.৪১.৫৭ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌখিবনি।

শান্নরোই অনীমক্কী রেকোর্দ অসি চপ মান্নখিবগা লোয়ননা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্কী ইভেন্ট অসিদা জোইন্ট ৱিনিং ওইমিন্নখিবনি। অহানবা ওইনা লমথুংফমদা য়ৌরকপা মতমদা স্বিজরলেন্দগী গিসিন্না রেকোর্দ তৌরবা মতুংদা স্লোভেনিয়াগী মজেনা মহাক্কা চপ মান্নবা মতমদা লমথুংফম য়ৌরক্তুনা মখোয় অনীগী লমথুংফম য়ৌবগী টাইমিং অসি মান্নবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল অসিসু মখোয় অনীনা সিয়ার তৌদুনা ফংমিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা শান্নরোই স্বিজরলেন্দগী লারা গুটনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। বৃটেনগী ওইনা শরুক য়াখিবা চেমি অলকোটতা ১৯ শুবা পোজিসন ফংখি। মশাগী চহী ৩১ শুরবা কম্পিটটির অসিনা দাউন্দ সিলসগী ইভেন্ট অসিগী ওইনা অহানবা হিটতা মহাক্না মাঙজিল থানা চৎখিবা শান্নরোই অমনি। অদুবু ফাইনেল ইভেন্টতা মহাক্না য়াম্না হায়থখি হায়বা তাই।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মশান্না অসিদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংগী টোপ ২০ খনগৎপদা অলকোটনা ১৯ শুবা পোজিসন ফংখিবা অসি থোইদোক্না ঙকনিঙাই ওইদে। মসি লমথুংফম য়ৌখিবা মীওইশিংদগী মহাক্না য়ৌরকপা মতমদা সেন্দে অনী অনীগুম্বগী চাঙদগী হেন্না খেন্নবা লৈখিদে হায়রি।


ঙসি গোল্ড ফংবদা য়েন্নদুনা ফংমিন্নখিবা শান্নরোই অনীগী মনুংদা মজেনা মমাঙদা পাঙথোকখিবা প্রিরেষ্টতা মহাক্না গোল্ড ফংগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখি। শান্নরোই অসি ইং ২০১০ দা ভেনকোভরদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শোকপনা মরম ওইদুনা মখা তানা য়াওদনা লাকখিবা শান্নরোই অমনি।

মায় পাক্লবা মজেসনা ফোঙদোকখিবা মহাক্না অহানবা ওইনা স্কিইংদা মায় পাকখিবা অসি দাউন্দ হিলসতনি। ঙসিগী দাউন্দ হিলসকি ইভেন্ট অসিদসু মহাক্না য়াম্না নীংথিনা হোৎনখিবনা মরম ওইদুনা মায় পাকপা অসি ফংখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা গোর্ল্ড মেদলদা মজেগা সিয়ার তৌরিবা স্বিজরলেন্দগী গিসিন অসি মশাগী চহী ২৮ শুরবা শান্নরোই অমনি। মহাকসু ভেনকোভরদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা পাঙথোকখিবা অদুদা ফাইনেলগী রেষ্ট অদুদা মায় পাকপা ঙমদনা লৈহৌখিবা শান্নরোই অমনি। শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অসি মহাক্কী ওইনা হায়নিঙাই লৈতনা নুঙাইবা নুমিৎ অমনি। নুমিৎ অসি মতম কুইনগী মমাঙদগী মহাক্না মঙলকপা মঙলান অমসুনি। ঙসি মঙ্ফাওনবদা য়াম্না নুঙাইবা ফাওই হায়খি।

| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Germany | 5 | 1 | 0 | 6 |
| 2 | Norway | 4 | 3 | 5 | 12 |
| 3 | Canada | 4 | 3 | 2 | 9 |
| 4 | Netherlands | 3 | 2 | 3 | 8 |
| 5 | Switzerland | 3 | 0 | 1 | 4 |
| 6 | United States | 2 | 1 | 4 | 7 |
| 7 | Russia | 1 | 3 | 3 | 7 |
| 8 | Austria | 1 | 3 | 0 | 4 |
| 9 | Slovenia | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 10 | France | 1 | 0 | 2 | 3 |
| 11 | Belarus | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 11 | South Korea | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 11 | Poland | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 11 | Slovakia | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 15 | Sweden | 0 | 3 | 1 | 4 |
| 16 | Czech Republic | 0 | 2 | 1 | 3 |
| 16 | Japan | 0 | 2 | 1 | 3 |
| 18 | Italy | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 19 | China | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 19 | Finland | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 21 | Great Britain | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 21 | Ukraine | 0 | 0 | 1 | 1 |

# ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক্তা অনৌবা খোঙথাং অমগা লোয়ননা শরুক য়ারগনি





*ন্যু দিল্লী, ফেব্রুৱারী ১১ঃ*
ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না লৈবাক অসিগী মিংচৎ নৌনা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা ফিরেপ অমদি লৌরক্লগনি মরমদি ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্দা থাজদবা ৱাফম খরা থল্লকপগা লোয়ননা থা ১৪ গী অথিংবা থল্লকখিবনি।

ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিযিনা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী মায়োক্তা থা ১৪ গী অথিংবা থল্লকখিবসি হৌখিবা চহী শক ২০১২ দগীনি। মতম অসিদা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ওফিস বিয়ারর খরদা ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা থাজবা মাঙখিবদগী ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসনবু অথিংবা থমদুনা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা ইন্টর্নেসনেলগী লেভেলদা শরুক য়াবা মতমদা ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী মখাদা শরুক য়াগদবনি হায়বগী রুল অমা পাস তৌবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক সোচিদা পাঙথোক্লিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরেরাই অহুম্না শরুক য়ারিবা অসি ইন্টনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী বেনর মখাদা শরুক য়াখিবনি।

ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা ইন্দিয়াগী অনৌবা ওফিস বিয়ারর খনখিবগা লোয়ননা নৌনা মীখল পাঙথোক্তুনা মায় পাক্লবা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্দা অনৌবা মীৎয়েং অমা থম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্দা থা ১৪ গী অথিংবা থল্লম্বা অদু নৌনা পাভথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা ওফিস বিয়ারর ওইরবশিং অদুদা দার্গ লৈবা ওফিস বিয়াররশিং য়াওদ্রে হায়না খনবিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্দা অথিংবা থম্বা অদু ইন্টর্নেসনেল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মচিন চৎপা মীহুৎ অমা ওইরিবা প্রসিদেন্টনা হাঙদোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ৭ তগী রুসিয়াগী সোচিদা পাঙথোক্লিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা শান্নরোই অহুম খক্না মখোয় মখোয়গী হৈজ ৰিংজবা স্পোর্টসকি দিসিপ্লিনদা শরুক য়ারি।

শন্নরোই অহুম অসি মখোয়গী অহজবা দিসিপ্লিনদা শরুক য়ারগসু ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী মখাদা শরুক য়াবা অমদি ওইদে। ইং ২০০৮ দগী লীশিং ১২ ফাওবদা থমখিবা অথিংবা অসিনা মরম ওইদুনা সোচি ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী এথলেট অহুম অসি ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরোলগী মখাদা শরুক য়াদে মখোয় ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিযিগী মখাদা শরুক য়াবা শান্নরোইশিংনি।

# শ্রীলঙ্কানা টি–২০ অহানবা টেষ্টতা বঙ্গলাদেশপু রন ২ দা মায়থীবা পীখ্রে

*চিতাঙ্গীন, ফেব্রুৱারী ১১ঃ*
শ্রীলঙ্কা অমদি বঙ্গলাদেশ লৈবাক অনীগী ওইবা অহানবা টি–২০ ইন্টর্নেসনেলগী ঙসি শান্নবা লোইখিবদা শ্রীলঙ্কানা য়ুম্থু ওইরিবা বঙ্গলাদেশপু রন ২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

বঙ্গলাদেশনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং খনবগা লোয়ননা শ্রীলঙ্কানা অহানবা ওইনা ওভর ২০ গী অহানবা মেটচ অদুদা বেটিং তৌদুনা শান্নবদা ৱিকেট ৭ তুবদা রন ১৬৮ লৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা বঙ্গলদেশনা শ্রীলঙ্কানা থনল্লিবা রন অদু লৌনবা কন্না হোৎনখি। অদুবু হোষ্ট টিম ওইরিবা বঙ্গলাদেশনা ওভর ২০ গী ওইবা মেটচ অদুদা ৱিকেট ৭ তুরগা শুপ্নগী রন ১৬৬ লৌদুনা মায়থীবা অসি নঙখিবনি।

লৈবাক অনীগী ওইবা টি–২০ গী মেটচ অসি শুপ্নগী মেটচ অনী শান্নগদবনি। মসিদা শ্রীলঙ্কানা অহানবা মেটচ অসি শুপ্নগী রন ২ দা মায় পাকপা ঙমখ্রে। হৌজিক অনীশুবা টি–২০ মেটচ মথং নুমিৎ নীনীগী মতুংদা শান্নগনি অদুগা লৈবাক অনীগী ওইবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ খরসু লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্ননবগী য়ানবা অমা লৈখ্রে।



বঙ্গলাদেশনা অরোইবা ওভরদা বোল ১৭ লৌরগা মায় পাক্কদবনি। হায়বদি শ্রীলঙ্কানা অহানবা ইনিংসতা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুবদা রন ১৬৮ লৌখিবা অসিনা মরম ওইদুনা য়ুম্থু ওইরিবা বঙ্গলাদেশনা শ্রীলঙ্কাবু মায়থীবা পীগে হায়রবদি রন ১৬৯ লৌবগী তঙাইফদবা অমদি লৈখি।

লাষ্ট ওভর অদুদা শ্রীলঙ্কানা শুপ্নগী রন ১৪ খক লৌবা ঙমখি। মসিনা মরম ওইদুনা রন ১৭ লৌরগা মায় পাক্কদবা বঙ্গলাদেশনা শ্রীলঙ্কাগী মায়োক্তা শুপ্নগী রন ১৪ লৌবনা মরম ওইদুনা রন অনীদা মায়থীবা নঙখিবনি।

হোষ্ট টিম অসিগী শান্নরোই ওইখিবা টামিম ইকবাল অমদি সমশুর রহমননা ওভর ৬ তা রন ৫২ লৌবা ঙমখি। ঙসিগী মখা তানা ওভর ২ দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ৬৪ লৌবা ঙমখি।

বঙ্গলাদেশকি সাকিপ অল হাসনননা অহুমশুবা ৱিকেট তুবা ফাওবদা রন ৪৩ লৌদুনা বঙ্গলাদেশনা মায় পাক্লবগী অচৌবা খুদোল অমা পীরমখি। বঙ্গলাদেশনা ৱিকেট ৪ তুবা মতমদা রন ১০৭ লৌখি। মতম অসিদা হান্ননা বেটিং তৌখিবা শ্রীলঙ্কানা ৱিকেট ২ তুবদা রন ১০৭ লৌখি।

অদুমওইনমক বঙ্গলাদেশনা ওভর ১৪ লোইবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৫৮ লৌখি। বঙ্গলাদেশনা শ্রীলঙ্কাবু মায়থীবা পীগে হায়রবদি রন ১৯ লৌবগী তঙাইফদবা লৈখি। অদুমওইনমক শ্রীলঙ্কাগী বেটিং লাইন অপদা নীংথিনা বোল কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা শান্নরোই লৈখিদবগা লোয়ননা ৱিকেট ৭ তুবদা লৈবাক অসিনা রন ১৬৬ খক লৌরগা মেটচ অসি লোইশিনখি।

মরম অসিনা বঙ্গলাদেশনা শ্রীলঙ্কাবু মায়থীবা পীনবা রন ৩ হাৎপগা লোয়ননা শ্রীলঙ্কানা হোষ্ট টিম ওইরিবা রন ২ দা মায়থীবা পীখিবনি।

অরোইবা ওভর অদু বঙ্গলাদেশকি ওইনা য়াম্না মরু ওইবা ওভর অমা ওইখি। মখোয়না ওভর অসিদা রন ১৭ লৌবগী তঙাইফদবা অমা লৈখি। অদুমওইনমক বঙ্গলাদেশকি বেষ্টমেন ওইনা পিচতা লৈরিবা শান্নরোইশিংনা রন ১৭ লৌনবা কন্না হোৎনখি। মতম অসিদা বঙ্গলাদেশকি মায়কৈদা ৱিকেট ৬ তুদুনা লৈরবনি।

অরোইবা ওভর অসিদা বঙ্গলাদেশনা শুপ্নগী রন ১৪ খক লৌখিবগা লোয়ননা শ্রীলঙ্কাগী মখুত্তা শুপ্নগী রন ২ দা মায়থীবা পীখি।

# স্প্রিং লেদিস সোক্কর ফেষ্টিবেল হৌরগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ঃ*
টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদমি তাবুংখোক মখা লৈকাই, লাইওন্স ক্লব ওফ লৈমরোল অমদি কোইভর কোচিং ইন্দিয়ানা পুন্না শীল্লগা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১৬ ফাওবা তাবুংখোক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

হয়েং অয়ুক্কী পুং ৯ তাবা মতমদা কোইভর ইন্দিয়াগী ফুটবোল কোচিং পোগ্রাম অমদি টিবেটকি নুপীগী ফুটবোল টিম ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা আই জি পি রেঞ্চ ৱান, ক্লে খোঙশাই, মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টকি এস ই এল গৌরকিশ্বর সিংহ, এল দি এগী এস ই এল ভগততোন সিংহ, মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী দিপ্যুটি সেক্রেটরি কে ঐচ মন্দকিনি দেবী, চঙাঙ্গৈ জি পিগী এক্স মেম্বর এম পারিসনা সিংহ অমদি এন আর ঐচ এমগী ষ্টেট ইঞ্জিনিয়ার কন্সলটেন্ট অরিবম নরেন্দ্র শর্ম্মনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইগনি।

তাং ১৪ গী নুংথিল পুং ২ দা ফেন্দসিপ ফুটবোল মেটচ অমা টিবেটকি চহী ২০ মখাগী নুপী টিমগা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদমিগী টিমগা শান্নগনি। তাং ১৫ গী নুংথিল পুং ২ দা টিবেটকি টিম অসিমক্না মণিপুরগী ভেটরান নুপী টিমগা শান্নগনি। তাং ১৬ তা টিবেটকি টিম অসিগা মণিৱুটকি নুপী টিমগা শান্নগনি।

# নুপীগী হেন্দবোল টিম লাউথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ঃ*
হরিয়ানাগী নরৱানা দিষ্ট্রিক্ট জিন্দা থা অসিগী ২২ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪২ শুবা সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল হেন্দবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসন্না লাউথোকখ্রে।

মণিপুরগী মহুৎ শিন্নবা খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি এম পি এস সিগী এস ধনমঞ্জুরি দেবী (গোল কিপ্পর), ও সন্ধ্যারানী দেবী, এন জি খোমৈতোন দেবী, এন সুনিবালা দেবী, এন সুসিলা দেবী, এম দিম্পল দেবী, এম ববিনা দেবী, সি ঐচ লক্ষ্মী দেবী, সিটিজন্সকি প্রিয়াদসিনি দেবী (গোল কিপ্পর), পি রঞ্জু দেবী, এন সুজতা দেবী, সাই আর সিগী এস নাওবী দেবী (গোল কিপ্পর), ও অঞ্জলি দেবী, বি সুনিতিবালা দেবী, এস রোমা দেবী অমদি ৱাই এল কেগী টি ঐচ বিমোলাতা দেবীনি।

রিজার্ব ওইনা এম পি এস সিগী এল সপনা দেবী অমদি পি সরজুবালা রোই থমখ্রে। খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৮ গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা কোচ এল গুনি দেবীদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না মণিপুর হেন্দ বোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এল মঙলেম সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# মাইকেল সু মেকরগী লঙ্কসকি ফীভম শোক্লে

*বরলিন, ফেব্রুৱারী ১২ঃ*
মশাগী চহী ৪৫ শুরবা জর্ম্মনগী অফাওবা ফোর্ম্যুলা ৱান দাইভর অমা ওইরিবা মাইকেল সু মেকর হৌজিক হৌজিক ফ্রেন্সকি হোস্পিটাল অমদা কোমাদা লৈরিবা অসিগী লঙ্কসকি ফীভম শোকচিল্লে হায়না জর্ম্মনদা ফোঙবা পাউ চে বিল্ডনা ঙসি রিপোর্ট অমা পীখ্রে।



মহাক্কী মতাঙদা পাউ চেদা ফোঙলক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাঙদা সুমেকরগী স্পোক্সৱুমেন ওইরিবা সবিনি খেহমনা হায়খিবদা পাউ চেদা য়াওরক্লিবা ৱাফম অসি কদোমদগী থোরক্লিবনো হায়গী মতাঙদা কুপ্না থিগৎলি। হৌজিক ফাওবদা ডাক্তরশিংনা মহাকপু লায়েংদুনা থল্লিবা অসি ব্রেন শোকপ্না মরম ওইদুনা লৈরিবনি। হৌজিক ফাওবা হকচাংগী অতোপ্পা ফীভমশিংদদি থোইদোক্না অশোইবা লৈতে হায়না শেংদোকখি।


## গ্যাস কার্দ তাহৌরে

ঐগী Porompat Indane Gas Service কি দোমেষ্টিক গ্যাস কঞ্জ্যুমরগী ওরিজিনেল Subscription voucher (S.V.) No. 865491 অসি গ্যাস এজেন্সি অসিদগীনা য়ুম ফাওবগী মরক্তা মফম খঙদনা তাহৌরে।

কনাগুম্বনা খুনবীরগদি মখাগী থিকানা অসিদা শিন্নবিয়ু। অৱামল মতিক চানা পীজগনি।

***Sd/- Samulailatpam Asalata Devi***
*Soibam Leikai, Checkon Thongkhong*
*# 9612950838*

Millennium Institute of Sciences
*Presents for the first time*
MILLENNIUM SCHOOL
From 2014-15 Academic Session opening
**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
**Special features :** AC room for daycare
- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

*Form available from 7th November 2013*
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.